ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄ, ꯖꯅꯨꯋꯔꯤ ꯳꯱, ꯲꯰꯲꯳, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯶ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯲꯹꯸ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

লৈবাকপোকপা, জন্যুৱারী ৩১, ২০২৩, ইম্ফাল

৪৬শুবা চহী, ২৯৮শুবা মশীং

# মণিপুরদা মীতোপ

## মনিংথোঙ হাংলগা মমাংথোঙ থিংবা

মণিপুরদা ‘মীতোপ’ হায়বা ৱাহৈসিগী মতাংদা শন্দোক্লা, কোইথোক্লা অমসুং তরেৎ-তরা থোক্লা খন্নরুবগী মথৌ তাখিগদ্রা? ৱাহৈসি হান্নদগী লৈরকপা ওইরবসু মসিগী ৱাহন্থোক চপ-চানা খঙবদি ঙসি-ঙরাংতগী ৱাফম নত্তে। ইন্নর-লাইন পর্মিট (আই এল পি) নৌহৌননা চৎনবা হৌরকখিবদগী চোংথোরকপসু নত্তে। মীতোপকী মায়োক্তা ঙসিদগী চহী ৪০ হেনবগী মমাঙ কুমজা ১৯৮০ অদুৱাইদা মহৈরোয়শিংগী লূপ ‘ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস কোর্দিনেসন কম্মিটি (এমস্কোক) লৈরিবৈদগী হৌনা এমসুগা খূৎশম্নদুনা মীতোপশিংগী মায়োক্তা অকনবা খোঙজং চঙশিনখিবা লৈখ্রে। মণিপুরদা মীতোপ খন্দোকপগী চহীসি কুমজা ১৯৫১ হায়বদি মণিপুরনা লৈবাকসিগী ফিবান্নুংদা চনখিবা ওক্টোবর ১৫, ১৯৪৯গী মতুংসিদগী বেজ য়র ওইহন্দুনা চথসি হায়বগী দিমান্দ ফাওবা তৌদুনা লাকখ্রে। অদুবু হৌজিক ফাওবদদি বেজ য়রগী ৱাফমসিমা লৈখাই তাদ্রি হায়বা য়ারি। মরমদি নৌহৌননা আই এল পি চৎনরকপদগী লৈঙাক্কী মায়কৈদগীদি কুমজা ১৯৬১বু বেজ য়র ওইহনগদবনি হায়বগী ৱারেপ লৌখ্রে। অদুবু লৈঙাক্কী ৱারেপসি ষ্টেটসিদা মীতোপকী মায়োক্তা অকনবা থবকশিং পাঙথোরক্লিবা ‘জোইন্ট কম্মিটি ওন ইন্নর লাইন পর্মিট সিষ্টম’ (জে সী আই এল পি এস) অমসুং মসিগী মপাং লূপশিংনা য়াদ্রি। মীয়াম মরক্তগীসু য়ানশিন্নবা অনীংবা-অপান্বশিং ফোঙদোক্নরক্লি। ইশম শম্বদা লৈঙাক্লা বেজ য়র অসুক্তা ওইহনগদবনি হায়দুনা ৱারেপ লৌখ্রবসু লৈবাক হুপ্না য়ানরবা ৱারেপ অমা হৌজিক ফাওবা ওইদ্রিবনি। লৈখাই তাদ্রি হায়না লৌবা য়ারি। ৱাফমসিনা মণিপুরদা লৈমিন্নরিবা ফুরুপ-কাঙলূপশিংগী মনুংদগী ষ্টেটসিগা হৌদোকমিন্নরকপা য়েলহৌমীশিংনা কনা কনানো? য়েলহৌমী নত্তবশিংনা কনাবুনো হায়বগী মতাংদা ঈশিংগা শঙ্গোমগা তোঙান-তোঙান্না ময়েক শেংনা খঙদোক্লবগীনি। থবকসিসু অরাইবদি নত্তে। খন্দোকপদা মীতোপ ওইরম্লগদি অকক্লবা মতমদা লৈবা য়াহল্লগসু মতমদু লোইথোকখ্রবদি নহনফমদা হঞ্জিল্লো, নতেফমদা তেরো হায়বগী য়াথং লাক্কদৌরিবনি।

অদুবু মণিপুরদগী মীতোপ খন্দোকপগী চপ চাবা চহীগী পাদম লাকথোকপসিসু মরু ওইবা থবক অমা ওইরিবগী মথক্তা হৌজিক মীতোপকী মতাংদা ওইরিবসিদি মনিংথোঙ হাঙদোক্তুনা থম্লগা মমাংথোঙদা কন্না মীৎয়েং চঙদুনা লোনশিনবগী থৌদৌনি হায়দবা য়ারোই। মরমদি মীতোপশিং চঙশিল্লক্তুনা ময়ূম মকৈ ফাওবা শাগৎতুনা লৈশিল্লম্বগী থৌদোকসি জন্যুৱারী ২৭, ২০২৩দা মোরে পুলিস ষ্টেসনদগী শুপ্নতগী কিলোমিটর ৭ লোমদমক লাপ্পনা লৈবা ‘ন্যু সালভুম’ অমসুং ‘লাংচাম’ ভিলেজ অনীগী থৌদোকসিনা অহানবা নত্তে। নুমিৎসিদা খুল অনীসিদা লৈশিল্লম্বনি হায়বা অঙাং য়াওনা মীওই ৮১ ফাগৎলে হায়রিবসিনা অরোইবা থৌদোকসু ওইরোইদৌরিবনি। মোরেগী থৌদোকসিগী মমাঙদা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী রেঙ্কাই য়াওনা মফম খরদসু লৈশিল্লম্বদগী ফাগৎখিবা লৈখ্রে। ফাগৎলগা প্রিজন ওইনা দিজিগনেট তৌদুনা থম্বা মফমদগী ফাওবা নান্থোক্তুনা চেনখিবা য়াওশিল্লক্লে। মরম অসিনা লাকনীংলিবা ৱাফমদি ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেসনগী চার্জদা থেঙ্খাং খরদা ফাগৎখ্রিবা মীওইশিংসিবু চঙলক্তুনা অচৌবা খুলশিং লিংদুনা লৈশিল্লক্ত্রিবৈ লৈবাকসিগী ঙমখৈ লানশিল্লক্লবা মখোঙ থাংজিল্লকপদা ফাহৌবা য়াদব্রা হায়বনি। হোয় শাংলবা ঙমখৈ পরিংদা খূৎশম্নদুনা লেপ্পনবা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংগী মশিং কোন্ননবা লৈজদবা ওইরগসু লৈশিনবা হৌরকপদদি কৈদৌদনা লৈহৌবগে? মফম অদ্বাইদা নিংথৌগী মনা থেৎকদবা ফক্লাং অমত্তা লৈত্রবরা? লৈত্রগনা করিগী লৈহন্দবনো হায়বনি। মসি ওইরগদি হৌজিক ফাওবা চীংগী মনুং হঞ্জিনবা মফম শিনবা থুংনা লৈঙাক্কী এদমিনিষ্ট্রেসন য়ৌদ্রি হায়বনি। চীং-তম থোং মান্নগদবা ৱাৎলি হায়বনি। মীওইবদা মথৌ তাবা সেক্টর খুদিংমক শুনবা ৱাৎহন্দনা পীবা হৌজিকমক্কী ওইনা ঙমদ্রবসু অতোপ্পা লৈবাক্কা তায়নবা ঙমখৈদদি হেন্না মীৎয়েং চঙশিনফম থোকই। য়েলহৌমীনি হায়বশিংগী মশীংদা মীপাইনীংঙাই ওইরক্লবনি। মীতোপকী মতাংদা লৈঙাক্কী অশোয়বা-অরানবশিং লৈহন্দবা চুমগনি। মনিংথোঙগা মমাংথোঙগা তুনা লোল্লু।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৯

১) **“নাউহোং”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

২) **“য়ুখল”** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং কনানা ইবনো?

৩) **“মীতৈ লোনগৈদা লোনয়ান”** কৌবা লাইরিক অসি মপান মণিপুরগী শক্লাইরবা অইবা অমনা খোমজিন্দুনা পুথোরকপনি। খোমজিন্দুনা পুথোরক্লিবা অসি কনানো?

৪) **“চীংয়াদা তময়াদা হৈকোলদা লৈকোলদা/ঈশিং চাইবীনা মরৈ হা-হা তম্বদা/লোক্লুংগী ঈফুৎ মচানা ত্রোং-ত্রোং লাউনা চেনবদা/শংবান্নবা অতিয়াদা উচেক্লা পাইবদা/অহিংদা চীংজাউনা তুমিন তুমিন্না লেপ্পদা/মেঙলবা মেরাগী থাবলদা/শুমহৎচরবসু মহৌশাগী ফজবদা/ইনিংলুদে শৈথাদুনা শৈরেং/অদুনা থি ঐনা অনৌ-অনৌবা মখল।”** শৈরেং মতেক অসি কনানা ইবা লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংদগী লৌথোরকপনো?

৫) **“হৈদি”** হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপা লাইরিকনো অমদি মসিগী ওরিজিনেল অইবদু মমিং করি কৌবগে?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ১৫, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৮গী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি*

১) তোংব্রম জিবোন, লাংজিং অচৌবা মখা লৈকায় - (৪)

***২) অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (১,৩,৪,৫)***

৩) মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (১,৪,৫)

৪) থিয়াম রাজেন্দ্র লুৱাং, থাংমৈবন্দ থাও কমপ্লেক্স - (৪)

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ৫৮গী ৱিন্নর*

***অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায়***

**লিটরেরি ক্যুইজ ৫৮গী শেলগী মনা অসি ৱিন্নর ওইরবা মীওই অসিগী বেঙ্ক একাউন্টতা ওইনা হাপচিঞ্জরগনি।**

# মণিপুরদা গন কলচর

**হেক্তা হায়নীংলকই - ৭৩৮**

**জিতেন নামৈরাকপম**

ঙসি জন্যুৱারী থাগী তারিখ ৩১, ২০২৩ লৈবাকপোকপা নুমিৎ, অনৌবা চহী হৌরকপগী জন্যুৱারী থাগী অরোইবা নুমিৎনি। ন্যু য়র হৌখিবা ঙরাংতা ওইরবোই নীংবদু খঙহৌদে তেক তেক চৎপা ঘড়ীগী কাটা কনানসু সেকেন্দ অমা খাম্বা ঙম্বা নত্তে। ঙসি ওইরম্বনা ঙরাং ওইরকপা, হয়েং ওইরম্বদুনা ঙসি ওইরকপা কনানসু থিংলুবা ঙমদে। মতমদি অসুম অসুম হৌখি, কাউঙল্লরোইদবা থৌদোক ৱাথোক কয়ানা পুৱারী ওইনা লৈহৌই। জন্যুৱারী লোইশিল্লকপদা ঙরাং জন্যুৱারী ৩০ মার্টিয়স দে নৎত্রগা সহিদ দিৱসকী থৌরম ইন্দিয়া শিনবা থুংনা পাঙথোক্লখিবগুম মণিপুরগী ওইনসু ইম্ফালগী গান্ধী মেমোরিএল হোল (জি এম হোল) দা মপূং ফানা পাঙথোকখি।

মতাং অসি য়ৌরকপদা ‘ফাদর ওফ দ নেসন’ জাতিগী মপা হায়রগা খঙনবা মোহন্দাস করমচান্দ গান্ধীবু নীংশিংদবা ঙমদে। মণিপুরনা ইন্দিয়ন দোমিনিয়নদা তিন্দ্রিবৈদগী হৌনা কনাগীসু মীখা পোন্দনা নিংথৌ পানবা লৈবাক অমা ওইনা নীংখা তম্না লৈজরম্বা ঐখোয়গী লুচিং পুরেন ওইরম্বা জন নেতা ইরাবতকী নীংশিং থা সেপ্টেম্বর থাবুম চুপ্পা ওবজর্বেসন তৌবসু কাউথোকপা য়াবা নত্তে। অদুবু ঐখোয়গী লুচিং পুরেন ওইবিরম্বা জন নেতা ইরাবতকী নীংশিং থাদি সেপ্টেম্বরদা ওইবা মরম্না জন্যুৱারী থা লোইশিল্লকপা মতম অসিদা জাতিগী মপা মহাত্মা গান্ধীবু নীংশিংজরকপনি। গান্ধীজিবু খঙদবা, মমিং তাদবা মীওই মালেমগী করম্বা মফমদা লৈরমগদগে? মহাক্তি, মহাক্কী পুন্সি ৱারীদি ইন্টরনেসনল ফিগর ওইনা লৈখ্রবনি। মহাক্কী পুন্সি ৱারী পূন্নমক্লা খঙনরবা, তানরবমক্তনি। মহাক্কী পুন্সি ৱারীগী মরমদা ঐগুম্বনা ইরুবগী কান্নবা লৈতে। তৌবতবু বৃটিশকী নম্ফু সাসনগী মায়োক্তা ইন্দিয়ন ইন্দিপেন্দেন্স মুভমেন্টকীদমক্তা মহাক্লা চঙশিনখিবা খোঙজং কয়াগী মরমদদি ঙসিসু মীয়াম্না নীংশিংনরি, কাউনদ্রি। নন ভাইওলেন্সনা খূৎলায় ওইদুনা ইন্দিয়াগী নীংতম্বা বৃটিশকী খূৎতগী মুনখিবনি। মশাগী ওইজবা পূম্নমক থাদোক্তুনা ভারতবর্ষ মীয়ামগীদমক খোল্লাউ কয়া লাউদুনা অন দলোন কয়া চঙশিন্দুনা চথরকপা খোঙজংদা ভারতপু নম্ফুদা লৌশিন্দুনা রুল তৌরকখিবা বৃটিশরশিং খাঙবা ঙমদ্রদুনা নীংতম্বা পীরমখিবনি। মরক অসিদা খ্বাইদগী থম্মোয় শোক্লখিবদি মীয়ামগীদমক মপুন্সি কৎথোকখ্রবা গান্ধীজিগী মীশি অদুনি।

কুমজা ১৮৬৯গী ওক্টোবরগী তারিখ ২দা গুজরাটকী পোরবন্দরদা পোকখিবা গান্ধী কুমজা ১৯৪৮গী জন্যুৱারী তারিখ ৩০দা নাথুরাম বিনায় গোদশেনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎতোকপীখি। নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎপীরমদ্রগদি চহী খরা অমগসু হিংলম্বা য়াবদু শুপ্নতগী চহী ৭৮ শুরকপদা মহাক্কী থৱায় মীরেলবু নোংমৈ গুলিনা নমদুনা মুনবিখি। কুমজা ১৯৪৮, জন্যুৱারী তারিখ ৩০গী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫.১৭তা সেন্ত্রেল ন্যু দেল্লীগী বিরলা হাওস (গান্ধী স্মৃতি) দগী লাইনীং লাইশোল তৌরবা মতুংদা মহাক্কী পর্সনেল এসিষ্টেন্ট নুপী মানুবেন অমদি ইন্দিয়ন ফিজিসিয়ন সশিলা নয়র অনীনা ৱাকিং ষ্টিক ওইদুনা য়েৎ ওই শৌরগা মীয়াম মরক্তা থোকমিন্নরকপদা হিন্দু ফেনাটিক গোদসেনা পোইন্ট ব্লেঙ্ক রেঞ্জদা নোংমৈ মৰূ অহুম থবাক অমদি এবদোমেন্দা কাপ্তুনা হাৎখি। গান্ধীজিনা ‘হে রাম’ হায়বা ৱাহৈসি হায়রম্লগা মফম অদুদা অদুমক থৱায় থাখ্রে। ইটালিনা শাবা বেরেটা পিষ্টল নম্বর ৭১৯৭৯১ এম-১৯৩৪ সেমি ওটোমেটিক পিষ্টোলগী মৰূ মরি কাপ্পদা অহুম পানবনি হায়বগী ৱায়েৎসু লৈখিবনি। চিটপভন ব্রামিন নাথুরাম গোদসে, মহারাষ্ট্রগী পুনেদগীনি। মচিন মনাও থ্রি ব্রদর এন্দ সিষ্টর পোকপগী মনুংদা নুপা অনী অমদি অঙাং ওইরিবৈদা শিখ্রবা মতুংদা মহাক নুপী ওইবগী মওংদা নাতোন্দা নাশিকাগা হাপ্লগা হৌরকপদগী নাথুরাম হায়না খঙনরকখিসু হায়রি। অঙাং ওইরিবৈ স্কুল তল্লিবৈ মতমদা মহাক গান্ধীজিগী নিতি নিয়ম, ইন্দিয়ন ইন্দিপেন্দেন্ট মুভমেন্টপুসু য়াম্না পামজনা নীংজরকখিবা মীওই অমসু ওইরকখি। নীংতম লাঞ্জং অসিদা য়াওনীংদুনা মহাক্কী স্কুলগী পুন্সি থাদোকনীংখি অমদি রাষ্ট্রিয় স্বায়ম সেভক সংঘ (আর এস এস) কী এক্টিভিষ্ট অমদি পোলিটিসিয়ন অমসু ওইরকখি। গোদসেগী অতোপ্পা মিং রামচন্দ্রসু কৌনরম্বা মহাক অসি হিন্দু নেসনেলিজমগী রাইট ৱীং এদভোকেট অমসুনি। মহাত্মা গান্ধীনা হিন্দুগা মুসলিমগা নুংশি চান্ননা পুন্ননবা কন্না হোৎনরকপা ইন্দিয়া পাকিষ্টান খায়দোক্লবগী ঈরাং কন্না থোকপা মতম, কাঙলূপকী ঈরাং থোরকপদা গান্ধীজিনা খামজিনবদা ওইবগী থৌওং অদুদা চরা হেনবনা অহিংসা তৌবনা কান্নররোই হায়বগী ৱাখলদা অদুক চমজরবা পুন্সি মরেল লেঞ্জরিবা গান্ধীবু মীনুংশি য়াওদনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎতোকপীখিবনি। অঙকপা মীওইবগী ৱাখলনি। মানা হাৎত্রগসু নোংমদি শোয়দনা শিরগদবা মীওই মপোক অসিদা নংহৌররোই মতাগুম হাথু-হাথু হাৎনীংলুরিবা গোদসেগী ৱাখলদুসু ঙক্তবা ঙমদে হায়নীংই। তৌবতবু ফাদর ওফ দ নেসনবু হাৎলুবা মহাকসু কুইনা হিংঙু তল্লমদ্রে। চহী ৩৬তা ঙাইরিবা গোদসে অমদি মী হাৎপদা চেন্নবা নরায়ন দট্ট অপটে অনীমক কুমজা ১৯৪৯গী নবেম্বর ১৫দা আম্বালা জেল মনুংদা থৌরি য়ান্দুনা শিবগী দন্দি পীখি। তৌবতবু গান্ধীজিনা জন্যুৱারী ৩০দা শিদ্রিবৈ নুমিৎ নীনিগী মমাঙদা মানা পীরম্বা স্পিচ অমা নীংশিংলকই - "If I’m to die by the bullet of a mad man, I must do so smiling. God must be in my heart and on my lips. And if anything happens, you are not to shed a single tear".

অসুম্না মমল য়াম্লবা মীওই কয়াগী পুন্সি নোংমৈ গুলিনা হিংথৎ হিংথৎ থৎপীখিবা থৌদোক কয়া কয়ানি। ফূদৎনবা, হাৎতোক্লবা, য়ৈখাই থিনগাইনবা, অশোক অপন, মীশি মীনা, অৱা চৈথেংগী মীকপ মীরাওখোল মালেম অসিদা ঙসিসু মফম মফম খুদিংদা, মচি মচিদা অদুম্মক লেপ্তুনা থোক্লরি। মসিগী কান্নববু করিনো। মালেমদা চৎনরিবা ধর্ম্ম অমত্তনা মী হাৎলু হায়বা তাদ্রি। অৱাবা, লৈত-লায়রবা, অৱা অনা নংলবশিংদা মতেং পাংবনা অথোইবা ধর্ম্মনি। মীনা মীবু কনবীবা, নুংশিবা মীৎয়েং য়েংবীবা, অশাউবা, কল্লকপা, মীহৌবা পূম্নমক থাদোক্তুনা পেন্থোকপা হৈবা ইচম চম্বা পুন্সি মরেলদা লেনবা হায়বসিমুক ফবা অতোপ্পা ধর্ম্ম লৈতে।

মীনা মীবু ইকায়খুম্নদবা, খৎন-চৈনবগী থৌদোক কয়া মণিপুরদসু কন্না চথনরক্লি। মতম অমা মণিপুরদা ফেক এনকাউন্টরদা মশীং থিঙমদ্রবা মরাল লৈজদ্রবা মীওই কয়া কাপ্তুনা হাৎখিবগী চেপ্টর লোইশিনখ্রবা মতুংদা গন কলচর অমা কন্না চৎনখৎলক্লি। নোংমৈ হায়বসি সেল্ফ দিফেন্সকীদমক পায়বা পাম্বে লৈরক্তুগনা লাম্থেংনবা অনী অসিনা ওইগনি। অদুবু থা ৩/৪ রোম অসিদা লমদম অসিদদি নোংমৈ অসি শান্নপোৎকুম্না পায়রগা পংকাপ্তা কাপ্পা মী হাৎপগী থৌদোক সেরিজ নাইনা চথরক্লি। নখোয়না পায়রিবা নোমৈ অদু মী পংহাৎতা হাৎলু হায়বা নত্তে। এটোম বোম শারম্বা জে রোবর্ট ওপ্পেনহৈমর ফাওবা জপানগী হিরোসিমা নাগাশকি তুমখিবদা মথ্বায় য়াম্না নুংঙাইখিদে। এ কে ফোর্টিসভেন শারম্বা হৌজিকপুদি লৈখিদ্রবা মিখেল কালাশনিকোভ ‘ওটোমেটিক কালাশনিকোভ ফোর্টিসভেন’ রসিয়ন মচাদুসু খূৎলায় অসিগী মতেংনা মী অতৎ অখম লৈতনা হাৎতোক্লরকপদা মা তশেংনা কপখি। ৱর্ল্ডস দেদলিয়ষ্ট ৱিপন ওইরসনু হায়না শাখিবদি নত্তে হায়রমখি।

মণিপুরদা লাইসেন্স গন পংপীদা পীবদগী হরাওবা, নুংঙাইবা, অৱাবা, হরাও কুম্মৈদসু নোংমৈ পংকাপ্তা কাপথোক্লবা মীয়াম্না তান্নরি। বাই বাই, ন্যু য়রগী বম্বুলা মরক্তা নোংমৈ মৰূ য়েপ্লকই। লুহোংবা থিল্লকপগী, দুর্গা পুজাগী বম্বুলা, রোকেট মরক্তসু নোংমৈ মথেল য়াওরকই। ৱর্ল্ড কপ ফাইনেলদসু কাপথোরকপদগী নুপী অমা লৈখিদ্রে। পল্লেলদা নুপী অমসু লৈখিদ্রে। ইম্ফাল এরিয়াদসু ইকুই কুইদ্রিবৈদা নুপী অমা পান্দুনা য়াম্না থীনা শোকখি। ঙরাং নহান্তসু থৌবাল ক্ষেত্রি মখা লৈকায়দা পোইন্ট থ্রী টুগী নোংমৈ মৰূদা লৈখিদে। লমদম অসিদা গন কলচর কৈদৌবৈ লোইগনি। ইন্দিরা গান্ধীসু, মহাত্মা গান্ধীসু নোংমৈ মৰূদা মৃতু ওইখি। নোংমৈবু শান্নপোৎকুম শীজিন্নরিবশিংগী পোৎলুমসু ফনিঙাই ওইবা নত্তে। ●

# ঈনাৎলা, মীনাৎলা য়োকখৎকদবসি ! - ১০৩

**ৱাখল ইহুল**

**সোরাম ইবোহল লুৱাং**

লৈশেমবৈদগী/মৈদিংঙু নোংদা লাইরেল পাখঙবগী মতমদগী লৈরক্লবা লাইফম্লেনশিংবু অরিবা লাইফমলেন - লমদমসিগী ওইনা লৌবিরগা অদুবৈ মৈদিংঙু পামহৈবদগীনা বোধচন্দ্র মহারাজ ফাওবগী মতমবুনা অনৌবা চঙলকপা ওইবনা মদুদা শেমগৎলকপা মীরমগা মরী লৈনবা লাইফমলেনশিংগীদমক ষ্টেট লৈঙাক্লা অনৌবা/অতোপ্পা মফম অমা শিনবীরগা হোংদোকহখি হায়বসি য়াফম থোকই খঞ্জে। মরমদি অশেংবা লাইফমলেন/অরিবা লাইফমলেনদি অশেংবা লমদমদুগা শাগোন্নরকপা ওইবনা হান্নদগী লৈরকপা মফমশিংদা লৈবা/লৈহনবা হায়বসি অচুম্বা থৌওং ওইগদবনা অচুম্বদু তৌবীফম থোকপ্রা হায়জবা খক্তনি। কোন্না চঙলকপা/পুশিল্লকপা মীরম লাই অমদি লাইনীং লাইশোনবু মীরাইবগী ৱাফম নৎচদে। মফম মুননবদগী য়েৎনফম থোক্তবদা মতম মতমদুগী ইরমদমসিগী মৈদিংঙুশিংনা লমগী ষণনা মচি শাংবোই নীংখিবদগী/লৌরুবদগী ঙসিগী চয়েৎনবা ফীভমসি ওইহল্লম্বনি। হৌজিক্তি কনানা চুম্বনো, কনানা লানবনো লাইফমগী মতাংদা খঙলবনিনা য়াম্না নুংশিনবা মওংদা পূন্না লৈমিন্নবা য়ানবা ষ্টেট লৈঙাক্লা শিনবীরক্কনি হায়বগী থাজবা চাম্মগী মনুংদা চাম্মা লৈজে।

৩) কাংবা নিংথৌনা পানবা মতমদগী নত্তবদা মৈদিংঙু নোংদা লাইরেন পাখঙবদগীনা বোধচন্দ্র মহারাজ ফাওবগী মতমগী মনুংদা মরু ওইনা মৈদিংঙু পামহৈবদগীনা বোধচন্দ্র মহারাজ ফাওবগী মনুংদা অমুক অখন্ননা মৈদিংঙু চীংথংখোম্বগী মতমদনা খ্বাইদগী হেন্না লম, চীং, পাৎ, তুরেলগী মমিংশিং ওন্থোক ওনশিন তৌখ্রবা মতুংদা চন্দ্রকৃত্তি মহারাজনসু শেরান তুরান তৌশিল্লম্বদগী হৌজিক হৌজিক ফাওবা ঈনাৎকী লাইরেম্বীবু মীরমগী লাই নুপী শাহন্দুনা লৈরিবা কয়াসিনা ঙসিগী খুন্নাইদা ঈনাৎ লাইনীং অমদি মীরম লাইনীং য়েৎননবগী মৰূ হুলহল্লম্বনি। “মৈবু ফিনা কয়াম কুইনা কুপ্তুনা থম্বা ঙমগনি” হায়বা লৈরবসু মরক্কী মৈদিংঙু খরগী মতম অদুগী অঙাং ওলহনবা ঙম্বগী মঙম লৈখিবনা মৈগী মশক ওইরিবা অচুম্ববু অদুগুম্বা মঙমদুনা ফি ওইরগা চাকখিদবনি হায়বসি হৌজিক্তি খঙদবা লৈত্রে হায়বদা লান্নীংঙাই মরম লৈত্রে। শম্না হায়জরবদা, অরিবা লাইরিক/পুয়াদা করি য়াওরি হায়বসি খঙলমদবদগী খঙলকপসু মশীং য়াম্লক্লে অদুবু খঙদবা মীশিংনদি হেল্লিবনিনা তোয়না খন্ন-নৈনরগা খঙদোকমিন্নবগী তঙাইফদবদি লৈরি। মসিগী মতাংদা তুংদা লাক্কদৌরিবা চারোল শুরোলশিংনসু অনী তুনা খঙজহৌনবা অরিবা মতমদগী অশেংবা মমিংশিং - চীং, পাৎ, তুরেল, লমশিংদা নত্তনা খোইয়ুম লাইনিংথৌ, খোইমোম লাইরেম্বীশিংগীসু য়াওনা - কৌরম্বশিংসি মৈদিংঙু পামহৈবগী মতমদগীনা মথং মথং শমথরকপা মশু শুথাংশিংনা অমুক মথক্কী মমিংশিংদু মীরমগী লাইনীং লাইশোনগা মরী লৈনহন্নবা অদু-অদা হায়না ওন্থোকখিবনি হায়বসি “ফুট-নোট” তা ইরগা খঙহনবা চুমগনি খঞ্জে। মসিনা অমুক শুথাংশিংগী মতমদনা য়াম্না লিরবা মতমগী পুৱারী ওইহৌবদা হৌজিক্তা চয়েৎনদুনা নৈশিন্নবা ওইরিবা ফীভমশিংসি থোকহন্দনবা অরিবা অচুম্বনা সিনি অদুগা মতমদুগী অনৌবা অরানবনা সিনি হায়বসি ময়েক শেংনা খঙজবা ঙমহনগনি। মতমদুদা “ইপা ইপুশিংনা সনাগী কৈরাক থাবিরম্বা” হায়গদৌরিবনি। হৌরকবৈদা চুম্না লাকপদু মরক্তা কাতু কারল তৌখিবা খরনা মখোয়গী তুংদা লাকপশিংদা মংফমদা করিনো তৌশিন্নীংবা হায়বা ফীভম মীওইশিংদুনা ওইহল্লম্বসি মতুংদা অমুক হন্না থোকহন্দনবা অচুম্বা লম্বী য়াৎপীরমখি হায়না থমজরি।

মতাংসিগী ওইনা থমজনীংবা ৱাফম অমদি - মথক্তা হায়খিবদা মমিং মথা অদু-অদা হায়না পীজদবা/পঞ্জদবগী মরমদি মপূং ফানা অশেংবশিং ওইনা অখঙ অহৈশিংগা তান্নরগা পীহঞ্জনীংবদগীনি।

৪) অদুবৈ মৈদিংঙু পামহৈবগী মতম ১৮শুবা চহীচা হৌগৎলকপদা শান্তিদাস গোশাইগী মৱা লৌবদগী মৈহৌরোলদগী লৈরকপা পুয়া লাইরিক মখল মখা কয়াবু কংলা উত্রা মমাঙদা পৈরগা মৈ থাবা মতমদা শান্তিদাস গোশাই মশাদা ফাওজখিবগী মতাংদা :-

“মীতৈগী লাইখুল ইবা পুয়ামখৈদি লোইনমক্তবু পাইথোকখ্রে। পুয়া খিবিক্লা মায়কৈ ফাংনা পাইথোক্তুনা চাইথোকখিবসিদি মীতৈ পূম্নমক অমুকলক হন্না মীতৈগী মখুফম হনজনবা শোয়দ্রে হায়না শান্তিদাসকা নিংথেমগা চীক্লবু ঙাঙনরে। মীতৈ মাইচৌশিংদি পিরাংগা লোয়ননা মোমোন মীনোক্তি ঙাইহাক তৌজখি। “(লালৈ লাথুপ/১৭; লংতাই ৱায়েল: হাওবম ইন্দ্রকুমার)। “অরুবা লাইরিক পুয়া মখৈদি মায়কৈ শীন্না পাইখিবা ময়াং ঐগী ধর্ম্মসি কুইরোইদৌরি।” (১৮ লংতাই ৱায়েল : হাওবম ইন্দ্রকুমার)। “মীতৈ লৈপাক্তি কায়রবসু অমুক হঞ্জিনল্লো হান্নগী মতমগুম পাল্লখিগদবনে।” (৬২/লংতাই ৱায়েল : হাওবম ইন্দ্রকুমার)।

৫) লৈশেম নোংশেম্বা মতমদগী লমদমসিদা লাই হরাউবগা শাগোন্নরকপা জগোয় মখলশিং, থাঙ-তা, মুক্লা, কাঙজৈ, মাইবী জগোয়, পেনা খোংবা, খম্বা থোইবী জগোয়, খুনুং ঈশৈ, খুলং ঈশৈ, অরাম্বাই লংবা, লুৱাং পুন্সিবনা ৱাদয়ৈ হি পুথোকপা, লাংতে পুং পুথোকখিবা অসিনচিংবা লমদমসিগী অশেংবা মালেমদা তোপ তোপ্পা ফিদা কন্দুনা লৈরিবশিংসিগী মরমদা হৌজিক্তদি মশা মশানা খুৎলোয়বশিংনা মখল মখাগী ফিল্ম/কেসেট/ৱার্কশোপ কম দিমোন্সত্রেসন তৌবগী শক্তম কয়া পুথোকপা, ফজনা মচাক মথুম খোমজিন্দুনা ইন্দিজিনস আর্ট এন্দ কলচরনি হায়বসি মালেমগী লৈবাক কয়াদা হকথেংননা/নাকোয়ননা শক তাকপগী মথৌ হেন্না হেন্না তারক্লি হায়না থমজগে। মসিনা ঐখোয় মালেমগী লৈবাকশিংদা করম্বা নেসননো/ফুরুপনো হায়বসি মশক তাকপা ঙমগদৌরিবনি। মথক্কী হীরমশিংসিদা হেন্না পাক চাওনবা লৌশিং লৈবিরিবশিংনা তৌবিরিবা হোৎনবিরিবদু মালেমগী থাক্তা চাওথোকহঞ্জনীংবগী অদুক হায়জবনি। ●

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৮গী পাউখুম

১) **“অথুইলুগী মঙলান”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো? **:- অইবা - রাজেন খুমুকচম; লাইরিক্কী মখল - ৱারীমচাগী খোমজিনবা; অহানবা ফোঙবা ২০১০।**

২) **“মসিনা ঐগী সাক্ষীনি”** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং মসিগী অইবা কনানো? **:-লাইরিক্কী মখল - লমকোয় ৱারী; অইবা - এস ঐচ : প্রহ্লাদ শর্ম্মা; অহানবা ফোঙবা ওগষ্ট ২০১২।**

৩) **“জয় জয়ন্তী”** হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেল অইবা কনাগী করি লোলগী লাইরিক্তগী কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপনো?
**:- ওরিজিনেল অইবা অমসুং লোল - ধনঞ্জয় বৈরাগীনা বেঙ্গলি লোলদা ইবা; মণিপুরীদা হন্দোকপা - ডা. চোংথাম নরেন্দ্র সিংহ; অহানবা ফোঙবা মে ২০০৯।**

৪) **“মিংশেলদা লৈচিল”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমদি লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো? **:- অইবা - মুফিদুন নিসা; লাইরিক্কী মখল - মণিপুরী শৈরেংগী খোমজিনবা; অহানবা ফোঙবা সেপ্টেম্বর ১০, ২০০৬।**

৫) **“অঙাংগী লীলা মচা খরা”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো ?
**:- অইবা - ৱারেপ্পম জুগিন্দ্র সিংহ; অহানবা ফোঙবা জুলাই ২০১২।**

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।